# কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – বরাক ওবামা –

বরাক ওবামা অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অহানবা অফ্রিকান অমেরিকান প্রসিদেন্ট ওইবগীদমক্তা মমিং চৎলি। মহাক য়ু এসকী ৪৪শুবা প্রসিদেন্টনি। মহাক য়ু এসকী হৱাইয়ী ষ্টেট অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী জকার্টা সিটিদা চাউরকখি। মহাক্কী মমা ষ্টেনলি অন দনহাম কন্সাসতগীনি অমসুং মহাক্কী অপোকপা বরাক ওবামা সিনিয়রনা অফ্রিকান কন্টিনেন্টগী কেনিয়াদা পোকখি। মমা-মপা খায়নরবা মতুংদা বরাক্কী মমা ইন্দোনেসিয়াগী নুপা অমদা অমুক ময়ুম পানখি। অদুনা মতম খরদি মহাক্কী ইমুংদু ইন্দোনেসিদা হোংখি। মদুগী তুংদা বরাক ওবামা অসি মহাক্কী মপু-মবেনশিনা হৱাইয়ীদা য়োকখি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা মহাক 'বেরি' হায়নসু কৌরম্মী।

বরাক কুমজা ১৯৮৩ দা ন্যু য়োর্কতাগী লবা কলম্বীয়া য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা গ্রেজ্যুএসন লোইশিনখি। গ্রেজ্যুএট অমা ওইরবা মতুংদা মহাক চিকাগো, ইলিনোইজকী দিভলপ্পিং কম্যুনিটিজ প্রোজেক্টতা থবক অমা তৌবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া তৌখি। য়াম্না থুনা মঙোন্দা উকল অমা ওইনিংবগী ৱাখল লাকখি। লোয়ননা মহাক হভার্দ লো স্কুলদা মিং চনখি। কুমজা ১৯৯১ দা মহাক লো গ্রেজ্যুএট অমা ওইখি অমসুং লো প্রক্টিস হৌখি।

কুমজা ১৯৯৬ তা বরাকনা পোলিটিক্সতা খোঙদানবা ৱারেপ লৌখি। ইলিনোইস ষ্টেটকী সিনেটকী মীখলদা মীরেপ ওইদুনা মহাক মায় পাকখি। কুমজা ২০০৪ ফাওবা ষ্টেট সিনেটতা লৈরম্লবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সিনেটকী মীখলদা অমুক মায় পাকখি। য়ু এস সিনেটতা চহী ৩ লৈরম্লবা মতুংদা মহাক কুমজা ২০০৮ গী মীখলদা প্রসিদেন্টকী মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোকখি। ৱা ঙাংবা হৈবগীদমক্তা মহাক লৈবাক্কী মীয়াম্না খঙনখি অমসুং মীয়াম্না পাম্নবা মীশক অমা ওইখি। মহাক্কী খ্বাইদগী লুবা থবক্তি দেমোক্রেটিক প্রাইমরিজদা হান্নগী ফর্ষ্ট লেদি অমসুং ন্যু য়োর্ককী সিনেটর হিল্লারি ক্লিন্টনবু মায়থীবা পীবা ঙমদুনা জেনরেল ইলেক্সনদা রিপব্লিকান কেন্দিদেট জোন মেক্কেনগা থেংনখি। মীখলদুদা মহাক্না মায় পাক্তুনা কুমজা ২০০৯ গী জান্যুৱারী ২০ দা য়ু এসকী প্রসিদেন্টকী ফম পায়বা হৌখি। কুমজা ২০১২ গী মীখলদসু মহাক্না রিপব্লিকান মিট রোমনিবু মায়থীবী পীদুনা মখা তানা টর্ম অমগসু য়ু এসকী প্রসিদেন্সি পায়খি।

বরাক ওবামানা প্রসিদেন্টগী ফম পায়বা হৌরকপদা ইরাক অমসুং অফঘানিষ্টানগী লান চত্থদুনা লৈখি। মহাক্কী অনীশুবা টর্ম মনুংদা ইরাক্কী লান লোইশিন্দুনা অমেরিকান ত্রুপশিং ইরাক্তগী লৌথোকখি। অফঘানিষ্টানগী লাননা ৱারী অমা ওইদুনা য়ু এস ত্রুপশিংগী মীশি-মীনা মশিংসু হেনগৎলকখি। অদুম ওইনমক অল কাইদাগী লিদর ওসমা বিন লাদেন মমৈথংদা কুমজা ২০১১ গী মে ১১দা ফারগা হাৎখি।

# মালেমগী অঙকপশিং

## রসিয়াগী হর্মিটেজ ম্যুজিয়ম

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ম্যুজিয়ম মরিগী মনুংদা রসিয়াগী সেন্ট পিটরসবর্গতা লৈবা হর্মিটেজ ম্যুজিয়মসু অমনি। কুমজা ১৭৬৪ দা কেথরিন দ গ্রেটনা লিংখৎখিবা অমসুং কুমজা ১৮৫২ দগী মীয়াম য়েংবা য়াহনখিবা ম্যুজিয়ম অসিদা তোঙান তোঙানবা পোৎলম মিলিয়ন অহুমলোম লৈ। মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা ম্যুজিয়ম অসিদা অয়েকপা লাই কয়ামরুমসু লৈ। কুমজা ১৭৬৪ দা কেথরিন দ গ্রেটনা নোংচুপ য়ুরোপতা তোপ-তোপ্পা মখলগী অয়েকপা লাই ২০০ রোম লৈরগা ম্যুজিয়মদা থম্বা হৌখিবনি। হৌজিক্তি লিওনার্দো দা ভিন্সি, গোগ্বিন, মাইকেল এঞ্জেলো, মানেট, মোনেট, পিকাসো, রফেল, রেম্ব্রান্দ, রেনোইর, রোদিন, রুবেন্স, টিটিয়ন, ভেন গোঘ, অমদি অতৈ মমিং চৎলবা লাই য়েকপশিংনা য়েক্লম্বা লাই কয়ামরুম লৈরে। তোঙান তোঙানবা মখলগী অয়েকপা লাই খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা মফমসু ওইরিবা ম্যুজিয়ম অসি মতম অমদা নিংথৌনা লৈরম্বা কোনুং মনুংগী বিল্ডিং তরুক্তা শেমগৎপনি। মপান লৈবাকশিংদা ম্যুজিয়ম অসিগী এক্সিবিশন সেন্টর কয়ামরুমসু হাংদোক্তুনা থল্লি। ম্যুজিয়ম কমপ্লেক্সতা লৈবা বিল্ডিং তরুক্কী মনুংদা মঙা ৱিন্টর পেলেস, স্মোল হর্মিটেজ, ওল্ড হর্মিটেজ, ন্যু হর্মিটেজ অমসুং হর্মিটেজ থিএটরদা মীচম মীয়াম চঙবা য়াহল্লি।

অহানবদা বিল্ডিং অমখক ওইরম্বদগী কাইনথংদা কোনুং মনুং অমদি মনাক নকপদা লৈবা বিল্ডিং কয়া ম্যুজিয়মগী শরুক ওইনা লৌশিল্লে। ম্যুজিয়মদা উৎলিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ১৩ শুবা চহীচাদগীনা ২০ শুবা চহীচা ফাওবগী ওইনা য়ুরোপিয়ন পেন্টিং, স্কলপচর অমদি এপ্লাইদ পার্ট কয়া য়াওরি। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু মরু ওইবা বিল্ডিং মরিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা মথোলদা উৎপনি। কুমজা ১৮৫২ দগীনা মতুং তারকপা ফাওবগী ওইবা ইজিপ্টকী পোৎলম কয়াসু ৱিন্টর পেলেসকী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা উৎলি। মদুগী মনুংদা অরিবা মতমগী মেসোপোটামিয়াগী নাৎকা মরী লৈনবা পোৎলমশিংসু য়াওই।

জর্মন অর্কিটেক্ট লিও ভোন ক্লেঞ্জনা দিজাইন তৌবা ওল্ড অমদি ন্যু হর্মিটেজ বিল্ডিংশিংগী গ্রাউন্দ ফ্লোরগী শরুক অয়াম্বা ক্লাসিকেল এন্টিক্বেটিশিংগী কলেক্সননা মফম কল্লি। অহানবা ফ্লোরগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং শিংথানিংঙাই ওইবা শরুক্তি "হোল ওফ ত্বেন্টি কোলম" হায়না খঙনবা গ্রেনাইট অমদি মার্বলনা শেম্বা শরুক অদুনি।

ৱেষ্টর্ন পেলেসকী নোংচুপ থংবা শরুক্তা কোকোসসকী প্রিহিষ্টোরিক আর্টিফেক্ট অমদি কলচরগা মরী লৈনবা পোৎলম কয়ামরুম গ্রাউন্দ ফ্লোরদা থল্লি। প্রিহিষ্টোরিক আর্টিফেক্টশিং অদু রসিয়া অমদি মতম অমগী সোভিএট য়ুনিয়নগী তোঙান তোভানবা মফমদগী লৈনুংদগী ফংখিবা পোলিওলিথিক অমদি আইরন এজ মতমগী পোৎলম ঙাক্তনি।

কুমজা ১৭৬৪ দগী কেথরিন দ গ্রেটনা বর্লিনগী মর্চেন্ট জোহান অর্ন্সট গোটকোস্কিদগী অয়েকপা লাই কয়া লৈশিন্দুনা ম্যুজিয়মগী মচাক খোমজিনবা হৌখি। মপুন্সিদা মহাক্না অয়েকপা লাই ৪০০, অরিবা লাইরিক ৩৮,০০০, অতাঙবা মখলগী নুঙ ১০,০০০, শেনয়েক ১৬,০০০ অমসুং মেদল কয়ামরুম খোমজিল্লম্মী।

কুমজা ১৯১৭কী ওক্তোবর রিভোলুশন মতুং তারকপদা ইম্পরিয়ল হর্মিটেজ অমদি ৱিন্টর পেলেস পুনশিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী মরল ওইখি। মতুং তারকপদা মরু ওইবা লন্নাই ম্যুজিয়ম অয়াম্বা সোভিএট গভর্ণমেন্টনা লৌশিনবগা লোয়ননা মদুদা থল্লম্বা পোৎলমশিং অমদগী অমদা থাংদোক থাংজিন তৌখি। একাদমি ওফ আর্টসতা থল্লম্বা ১৯ শুবা চহীচা মতমগী মরু ওইবা পোৎলম কয়ামরুম কুমজা ১৯২২ দা হর্মিটেজদা পুরকখি।

কুমজা ১৯৩০ দগী কুমজা ১৯৩৪ ফাওবদা হর্মিটেজগী মমল য়াম্লবা পোৎলম লিশিং অনী হেন্না নিলাম লাউদুনা য়োনথোকখি। কুমজা ১৯৪১ দা জর্মন

লান্মীশিংনা সোভিএট য়ুনিয়ন্দা লান্দারকপা মতমদা ম্যুজিয়মগী পোৎলম কয়ামরুম পুখিরম্মী। বোম থাদদুনা অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা নৌনা অমুক শেমজিল্লগা কুমজা ১৯৪৪ গী নবেম্বরদা ম্যুজিয়ম অদু অমুক হাংদোকখি। কুমজা ১৯৪৫ গী নবেম্বরদা হান্নগী পোৎলম অয়াম্বা অমুক হন্না পুরকখি। ম্যুজিয়মদগী দোলর ৫৪৩,০০০ লোমগী পোৎলমশিং হুরানখিবা তারবসু কুমজা ২০০৬ কী অরোইবা শরুক্তা পোৎলম অয়াম্বা অমুক হন্না ফংবা ঙমখি।

# ব্যুটি : মোর্নিং ব্যুটি রুটিন ফজনা শীজিন্নরবদি মায়থোং মকা লান্না লৈবা ঙমগনি



ঐখোয় পুম্নমক অয়ূক্কীদমক মশা-মশাগী তোঙানবা মোর্নিং রুটিন লৈজে। কনা অমনা অয়ূক ঙন্না হৌগৎতুনা হকচাং শাজেল তৌই। কনা অমনা অয়ূক থেংনা হৌগৎলদুনা শুপ্নগী ইরুজথোল্লগা চাক চাদুনা মশা-মশাগী থবকশিং চৎনৈ। অদুবু মীওই অয়াম্বনা মোর্নিং রুটিন খেৎনরবসু মতম অমদা হেক্তা হৌগৎলবসু নুমীৎ চুপ্পা মওং তানা ফজনা লৈবা ঙম্নবা ফজবা ফিরোল, মেকঅপ অমদি হিয়র ষ্টাইল তৌদুনা পর্ফেক্ট ওইনা উনবগীদমক অমদি মীয়াম্না ফজৈ হায়নবগীদমক হোৎনদবা য়াওদবা নত্তে। অদুবু ঙসিগী মোর্দন সিভিলাইজেসন অসিদা মীওইবগী নাক্তা মতম লৈনদবনা অয়ূক হৌগৎলবা তুংদা কে-মৌবগী মতম লৈনদ্রে। অদুম ওইনমক মতম শাংনা অয়ূক্তগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা শক-চু ফজনা মায়থোং মকা লাম্না লৈগে হায়বা তারগদি অয়ূক হৌগৎলবা তুং চৎনা পথাপ খরদি চৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

ক্লিনজর : অয়ূক হৌগৎলবা তুং শুপ্নগী ইশিংনা মায় তাবা অমদি ফেস ৱাশনা মায় তাবনা উনশাগী মপানথংবা শরুক খক শেংদোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা ক্লিনজর শীজিন্নবা ফৈ, মদুনা মায়গী উনশাদা পল্লগা-লৈরম্বা উফুল, অমোৎপা য়াম্না লায়না কোকহনবা ঙমগনি। করিগুম্বা অদোম্না কৈথেলদা ফংবা ক্লিনজর শীজিন্নবা পামদ্রগসু শঙ্গোম অহিংবা অমদি চমপ্রা মহী শীজিন্দুনা মায় তাথোকপসু য়াই।

টোনর : মায়বু ক্লিনজর তৌরবা মতুং টোনিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মদুনা মায়গী উনশাদা লৈরম্বা এক্সট্রা ওইলশিং লৌথোকপা ঙমগনি। টোনিং তৌবনা স্কিন ঙান্থোক্তুনা মায়থোং মকা লাম্বা হায়বদু ওইগনি। ক্লিনজিং তৌবা মতমদা লোয়ন-লোয়ননা টোনিং তৌবসু য়াই। টোনর ওইনা গুলাবজল, থবীগী মহী নত্রগা আলুবু টোনর ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। টোনিং তৌরবা মতুং সীরম তৈরবদি অমুক্কা হেন্না কান্নবা হায়বদু ওইগনি। সীরম তৈরবা মতুং মোইসুরাইজর তৈবিয়ু মদুনা মায়গী মায়থোং মতম শাংনা ফজনা লৈবা ঙম্বা খক নত্তনা উনশাদা লৈরম্বা অমুবা দাকফম, উরিং অমদি উনশা খুইজিনবশিং ফহনবসু ঙমগনি।

ফোং-ফোং শাবা ঈশিং থকপসু য়াম্না কান্নে : অয়ুক হৌগৎলবা তুং ফোং-ফোং শাবা ঈশিং থকপসু হকচাংগী ওইনা য়াম্না কান্নে। ঈশিং পুক হাংলিঙৈ মতমদা ফোং-ফোং শাবা গ্লাস অমা থকপনা হকচাং মনুংদা লৈরম্বা ফত্তবা দিটোক্স মপান্দা থাদোকপদা মতেং ওইহল্লি। মদুনা হকচাং ফজনা শেংদোকপগা লোয়ননা হুমাং ওইনা থোকহনখিদুনা উনশাগী মচু ফজহন্দুনা কুচু কুমেন শেংনা লৈবা ঙমগনি। লোয়ন-লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌবা অমদি ব্রেক ফাষ্ট মপুং ফানা তৌবগী তঙাইফদবসু লৈ।








Title: Walking on a Rainy Day
By: K. Anthoni
Class: IV Sec: Emerald Roll No. 44
School: Heritage Convent




Title: Christmas Tree
By: Bodhan Asem
Class: I Sec: Roll No. 7
School: St. Joseph Hr. Secondary School



Title: Rainbow
By: Kathryn Ningombam
Class: K.G Sec: Crystal Roll No. 24
School: Heritage Convent



Title: Scenery
By: Gulistana
Class: III Sec: C Roll No. 14
School: Smart Universal Academy




Title: Scenery
By: Laishram Ringkoo Singh
Class: III Sec: Sangai Roll No. 25
School: AIM School Naharup




Title: Girl
By: Thoudam Priyadashami
Class: II Sec: B Roll No. 09
School: Smart Universal Academy




Title: Sun Set Scenery
By: Nividita Sougrakpam
Class: III Sec: Sapphire Roll No. 28
School: Heritage Convent




Title: Messi
By: W. Kritibash
Class: III Sec: A Roll No. 01
School: Smart Universal Academy



Title: A Scenery
By: Tejkumari Thiyam
Class: IV Sec: Crystal Roll No. 45
School: Heritage Convent



Title: A House Boat
By: Thoithoi Huidrom
Class: II Sec: A Roll No. 13
School: Smart Universal Academy



Title: A Bull
By: Nongmaithem Gitanjali Devi
Class: IV Sec. Roll No. 01
School: Royal Education Centre, Nachou



Title: Vegetables
By: Zenith Heisnam
Class: III Sec: A Roll No. 04
School: Smart Universal Academy